

“মীনন্বা ৱাদু হায়দ্রবদি মীদু হাৎপা তারবদি
অদুগুম্বা মতমদা মীনন্বা ৱা হায়গদবনি।”

\- সোনামনি
(ৱাথোকচাও)

# শৈরেং

## রমজান

—অথোকপম তোম্বা

মীপূম খুদিংগী পূক্লিংদা
ফোংঙমদবা ৱাহৈনা নুংঙাইবা
য়াইফ মঙ্গল ৱাহৈনা
লেংনাইদ্রবা মপুগী মিংলেননি
থৌগল ৱাহৈ রমজান মুবারক।
মপুগী চাংয়েং থৌজালদি
অফবা থোঙবু লাউনা হাং
ফত্তবা থোঙশিং লোনশিনবা
মপুগী থৌজাল ফংনবা
য়োৎকী ফক্লাং চল্লিবা।
মপুগী অশেংবা ৱাখল্লোন্দা
অরানবা কয়াবু ঙাকপীনবা
অশেংবা ৱাখলগী মনুংদা
অচুম অরান লেপ্পবগী শক্তিদা
রমজান থাগী রোজানা।
অখণ্ড অহৈনা শক্লা শোন্নরি
অল্লাহনা কুর’বানগী ৱাহৈশিং
অচুম্বা লৌশিংগী মঙালদা
মিৎ-নাকোং লৈয়েং হকচাংগী
হায়রি অফবা ৱাখল্লোন লৈনবা।
প্রোফেট মহম্মদনা তাকপীরম্মী
চরা হেনবা হায়বদি
মপু মনাই অনীগী মরক্তা
পীন-হৈবা থৌজাল ঈরিক্লা
মপুগী মিংলেন শক শোনবনা
অচুম্বা মওংদা নমাজ তৌবনি।
পূক্লিং হকচাং শেংদোক্তুনা
অমগা অমগা শাগোননা
অচুম-অরান কাউথোক্লা
হরাও মীনোক্লা তরাম তৌবনি
লাইনীং-লাইশোন নত্তনা অপূনবা শক্তম শাবনি
পীজ-পীথক দান তৌবনা
নুংঙাইবা-ঈংবা তপ্পা ফংহল্লি
অৱাবা পোৎলুম হন্থহল্লি
ঐঙোন্দা পীরিবা ৱাখল্লোন
মী অদুদসু লৈরিবনি
মপু মাগী পীনহৈবা শক্তিনা।

## চফু থন্নবা ৱারীনি

—এম নিলাকুমারি

তাইবঙ মী শিগল্লি
মীনা শিরগা মীনা ৱায়
তান চাদ্রবদি
অপূম অশা ওল্লি
ফজখ্রবা শক্তম কয়া।
পুথোক্তুনা থেন্দুনা মোর্গতা য়াতাহল্লি
মশক মমিং খঙজবরা য়েংজহৌরো লাউ;
মরম অদুননি মরম ময়াম অমগী চৈথেংনি
অশিবা কৌবা নহাক্লা ফংলিবা
নহাক্কী অশেংবদি মাঙখ্রবনি
চফু থন্নবা ৱারী ওইখ্রবনি মীয়ামগী!
ৱারিবা কপ্লিবা কনা কনানো
মংফমদগী চেপ্লপ্লা অমুক্তংদি য়েংলমউদনা
নহাক্লা করিগী শিংখল তরেৎকী মথক্তা
মীয়াম্না করিগী মিৎলু পিরাং
ৱাহংগী ৱাহং ঙাক্তনি
পাউখুমদি ‘ফিল ইন দ ব্লেঙ্ক’ হায়বদুনি
ফম্না ফম্না লেপ্পা লেপ্পা চৎনা চৎনা
পুন্সি কয়া লোইনাইখি
চফু থন্নবা ৱারীনি।

## মা ঐ

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

তৎতনা চৎনীংখি
চৎলুদুনসু লাক্লিবা
তৎতনা চৎনীংখি।
নোংমতং চৎহৌদবদা
লৈতাফম খঙদবা
তৎতনা চৎনীংখি
উনীংবনা মহাক্তবু
উজবা ফংবা অদুখক্তংনা
পেলহনখি থম্মোয়বু।
শেঙলবা মহৈগী লাইশঙদো
নুংশি মন্দির ওন্থোক্তুনা
ঐবু নুংশি লম্বীদা চিংলি।
ঐবু পুরদুনা চৎলি
ঐগী ৱাখলনা
মহাক্কা লোয়ননা
তৎতনা চৎনীংখি
নুংশিগী মন্দির অদুদা।

## মৈত্রবাক্তা কোকিল

—এন কে সিং

হে কোকিল খোননৌবী,
নঙগী পনচোম শুরনা,
নিল্লে ঙসিদি মৈত্রবাক।
কয়াদা নুংশিখ্রবা খোঞ্জেল,
কুহু কুহু পামেলথক্তা;
খোঞ্জেলদো পূক্লিংগী ৱারা?
নৎত্রগা চিনবানথোঙগী ৱারা?
হায়যু কোকিল খোননৌবী।
মীতোপ মীরানচানা থল্লবা,
মৈত্রবাকনি খঙলবরা নহাক,
নুংশিবা খোঞ্জেল কয়াগা,
চঙলকখিবনি মখোয় মৈত্রবাক্তা।
মীরানচা কয়ানা ঙসিদি,
শাররে মীতোপনা মপু।
কাউনু কোকিল খোননৌবী,
মীতোপকী লান লোইদ্রিয়ে,
নুংশিবা খোঞ্জেল নহাক্কী,
কনানা থাজনি নহাকপু।
পাইখ্রো কোকিল খোননৌবী।
মীতোপকী লাংদা থুরনু,
নঙগী পুন্সি মাঙখিবা,
ঙমলোই য়েংবা নহাকপু।
নঙগী নুংশিবা খোঞ্জেল, ঙল্লোই ঐনা থাজবা,
পাইখ্রো কোকিল খোননৌবী।
অমুক হন্না খোঙলনু,
নঙগী পনচোম শুরদা,
কুহু কুহু খোঞ্জেলনা।

## ইমা মণিপুর

—জি মনিচৌবা শর্ম্মা

কয়াম কুইননো লোন্না থমখিগদবা
নীংঙমদনা পাউখুম পীবা ঙমদনা
চেকশিন্না লোৎশিন্না থমখিগদগে।
ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট য়ৌহন্দুনা
ইমাগী ৱারী লীদুনা
পাউদমজগে হায়জরফাও
ইমা নঙনা লোৎশিন্দুনা
চেৎনা থমখ্রগে খল্লবরা
হে ইমা মণিপুর।
নচাদো অচম্বা নত্তেনে
লোৎশিন্দুনা থম্বীনু
নচানা পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরহল্লবদি
নেতা ইরাবত মালেমদা
ফাওরমগনি ইমাসু
অচংবা নচা পোকলফাও
করিগী লোৎতুনা থম্বীরি।

## লৈশাবী শারনু, পাখঙ শারনু

—লৈশাংথেম খেলেন্দ্রো

তাৎ তৌবীরগনু য়েংনীংদ্রে
মৌসু সলৱার জিন্স শেৎতুনা
ফি য়ান্দনা ফোন অমগা
গাড়ী মচা অমগা
মপানা মমানা ঙাঙবা তাদমখে
লৈশাবী শাদুনা ইমুং লোইনা কায়নরে।
লুহোংলবা নুপা নখোয়সু
য়ূমদা নুপী লৈনা লৈনা
পাখঙ শারনু নখোয়সু
নয়ূমদা করি চাহৌরি য়েংদমখে
নচাশিংগী লাইরিক লাইশু খনদমখে
অনোক অমা উপশিল্লগা।
জিন্স অমা শেৎচিল্লগা।
গার্দেন অনৌবা অমত্তা
হাংবা য়াদ্রে কোয়বা চৎকদৌবগী।
য়ূমদনা ক্লাক মখোঙ পুখরে
নুমিদাং য়ৌরে ফোন অমগা
ৱারী শাদুনা তূম্বা খঙনদ্রে।
ইকায় খঙদবা য়াম্না লৈরে।
মতৌ তম্বনা কল্লিবা
চাওখৎলিরা চাওথরিরা খঙদ্রে।

## পালাগী শেল

—ৱারেপ্পম তোমচা

নুংঙাইদা য়েংবদা পেল্লিদা,
লুহোংবগী শৈশকপী পালাশিংসে,
পাতক চেংতক, শক্তা চুদা ফজবী
ময়েক নাইবী নমথাং লৈতেংবী
সনা, লুপা, নাগোরি, শম্ফাবী
লিপষ্টিক্কী মঙাল পূন্নমক অঙকপনি।
খোঞ্জেলদা পুংগী তান্থাদা;
খূথেক্তা, মীৎয়েংদা, নায়েংদা
মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিল্লি;
হৌগৎলি মান্দপ মচি, মচিদগী
কায়নরি শেঞ্জোয় মচেৎ মচেৎ
চাইথনরি, লংথনরি ফ্রুট-ফ্রুট
উনা-ৱানা তাবগুম লৈকোয়থক্তা
নুপীনি হায়দে, হনুবী ফাওবা
হৌগৎলি মনম পোল্লপ পোল্লপ
লাউনরি মান্দপ মচি মচিদা ভাল্লো-ভাল্লো;
খরনা শোন্নরি মুরুম মুরুম
থাইদা ঙসিগী পালাগী শেলসি
পেল্লিদা য়েংবদা ঙসিগী পালাশিংসি;
কদায়দগী পালাশিংনো
মমিংনা করি করি কৌরিগবা।
চৎলগে খল্লি ঙমদে ফমথৈ অমুক
পালাগী কুম্মেদা।
কয়াদা ৱাংখ্রবা সংস্কৃতিনো
কয়াদা চাওখৎনা লৈরিবনো
চহী খরগী মতুংদনা কদায় থাক য়ৌরক্কদবা।
মী লৈজদবা মীগী কর্ম্মনা
কদোমদা লোৎখিগদবা
হায়বা ঙমদে কনানসু
তুংগী চৎনবীগী থাক
অঙকপনি পালাগী শেল
চাইথনরি লৈকোয়থক্তা মপাক মপাক।

## চীংয়া তময়া ফুগায়না শাৎলে থম্বাল

—ঙাংবম ইবেতোম্বী

শাৎলে শাৎলে থম্বাল শাৎলে
হুখ্রে লোইনা থম্বালগী লৈনম্লা থম্মোয়সে
চীংসু তমসু ফুগায়না শাৎলে থম্বাল
হরাওরে হরাওরে চীংসু তমসু হরাওরে।
চেঙনা কিলোদা লুপা ৫০ য়ৌরক্লসু
তরেৎ শেঞ্জা তিংদ্রদি
লাইজ ঈখৌলাংবা কোকঙমদ্রবসু
থম্বালগী লৈনমদা অপেনবতা ওইজরে
লৈহী থকপা ফংজদ্রসু।
চরা হেল্লবসু হেঞ্জগে
ঈখৌ লাংলবসু খাংজগে
মণিপুর ইমাগী শক্তমদি কায়হনবীনুকো
হে থম্বালগী লৈহীতবু শঙলিবা খোইমুশা
ইপনগী মচাগী, ইখুরাগী মচাগী, ইনেগী মচাগী
নীংঙাইবু থেম্নবা হোৎনবদা
মণিপুর ইমাগী শক্তমদি কায়হনবীনুকো
ইপা ইপুগী থৌনা লিংজেল কাউগুমসিকো।

# ৱাকিং

## (Paseo)

\- জোস ডোনোসো

থৌদোকসি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈগীনি। মতমদু ইপা লৈরি, মাগী মচে, ঐগীনা ইনেহল, মাথিলদা লৈরি, ময়ূম পান্দ্রি। অদুগা ইখুড়া অনী গুষ্টাব অমসুং আর্মন্দ লৈরিঙৈনি। হৌজিক্তি মখোয় লোইনা শিখ্রে। নৎত্রগা ঐদি শিখ্রে হায়না লৌরে। মরমদি মতম চারিঙৈ মখোয়না হংহৌদ্রবা ৱাহংদু হৌজিক অমুক হংলুদুনা কৈদৌনি। থেঙমনখ্রে। তৌববুদি থৌদোক মতাদুনা মখোয়বু তুমিন্না লৈহনখিবা ওইবা তাই। মমৈদদি মখোয় অকাউবগী চেকপল তাখৎতুনা নৎত্রগা কৈদৌরুবদৌনা খন্দোক্তুনা পূন্নমক তুমিন লৈরে। খুদম চাংদম য়াওদবা ৱাখল কয়া শাগৎতুনা মখোয় কোক শানবা হোৎনখিদ্রে।

অদুবু তশেংবদি অদুম্না তৌবদি শুকচুম চুমদবনি। খঙদে, ঐগী ৱাখলনা, ঐগী নীংশিং মমিসিনা ঐবু মীনল্লদ্রা? অদুগী মথক্তা মতমদুদা ঐদি অঙাং পিশক্লি। অদুনা মখোয়না থৱায় ৱানা থিজিন খোৎচিন তৌখিবা কয়াদু ঐবু অঙাংনি খন্না তাহনখিদব্রা খঙদ্রে। মখোয় অহল নুপা অহুম্না খন্নখিবা ময়ামদুগী ফল ঐ খঙখিদ্রে।

ঐনদি করি খল্লুরনি, করিবু খঙলুরনি। ঐনা নীংশিংবা হায়বু মখোয় অহুম ঐখোয়গী লৈরিবা লাইব্রেরী কা মনুংদা থোঙ লোন্দুনা কয়ারক খন্নখি। ঐসু মপান্দা নাশোন পিক্লা তাখি। মখোয় মশেল তপ্লা ঙাঙনৈ, লোন্না খন্নৈ, মখোয়গী হৌনবী। কাদুগী থোঙজাউ অদুনা থৎখিবনা মখোয়না করি ঙাঙনৈ ঐ তাবা ফংখিদে, ঐনা তাবা হায়ববু খোল কল্লকপা মতাং, মখোয় অহুম য়েৎনরকপা মতাংদু খরা খরা তাখি। ঐনা খনখি, করিনো মখোয়না কন্না ঙাঙনরিসিবু? ঐ থাজে, মখোয় তুমিন তুমিন লৈনরুরগা ৱা ঙাঙনরকইবদু শোয়দনা মরুওইবা ৱাদি ওইরম্মনি। অদুবু ঐ থাজবা ঙমদ্রদুনা লাইব্রেরী অদুগী মাঙ্গোল ফক্লাং নপ্লা তারুবনি, মদুদা ঐগী পূক্লিংনা ৱারেপ লৌরে - মখোয়সি থৌদোকসি কাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে। মখোয়না ফল্লিবসিদি চুম্নগী কেস অমগী আইনগী থোঙদা করি লৈবগে খন্নবা জাৎনি, মখোয়না হৈনজবা সমুদ্রগা মরী লৈনবা চৎন-কাঙলোনশিংদা।

হৌজিক্তি, ঐনা চাউরক্লবা মতমসিদদি ঐসু খল্লক্লে, মতমদুদা অহল নুপা অহুমদুনা থৌদোক্তু কাউথোক্লবা হোৎনখিবদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না। মরমদি সরক্তা মী অমা মাঙখিবগীদমক কনাগুম্বা অমনা সুম খন্দুনা লৈরগা পুন্সি চুপ্পা শিসু শিঙমদা, চঙসু চঙদা লৈবসিবু হৌনব্রা? সহরগী সরক অমদা মী অমা মাঙবা হায়বসিদি খল্লুবদা মপান নাইদে, খল্লু খল্লুরগা সুম খুদোংথীবা তারক্কনি।

নোংমদি, থৌদোক্তুগী মতুং থা অমরোম লৈরগা, ঐনা থেংনরুই - ঐগী ববাদো, দলান মথক্তগী, মী উনফম কাগী বেলকোনিদগী লোন্না সরক য়েংদুনা লৈবা। অতিয়াসু পূম্মমনি, নোং মংঙে, নুংশিৎসু ঈরিক পুরে, এইলানথস পাম্বীগী অপাকপা মনা মরক্তা ফূজিল্লক্লে। ঐনা ববাগী মনাক্তা চঙশিল্লি, মরম খঙনীংলুদুনা, মানা সরক য়েংলিদুগী নুংগী ৱা।

\- “ববা! করি য়েংবিরিবনো?” ঐনা তপ্পা হংলুই।

অদুবু ঐ হেক উবদা মাগী মায়থোঙদা তারম্বা অৱাবা শক্লোন অদু শৎ মাঙহনখি, থোঙগী সট্রর শৎ চিংথরগা ইকায়বা থৌদোক উদনবা হোৎনবগুম।

\- “নঙবু উদ্রা? ঐ চুরুট মচৈ অমতং থক্কে তৌরম্বনি...।”

ৱাদু লোইবগা মহাক চুরুট অমা মৈ চমখৎলকই।

মাগী ৱাদুদি মীনম্বনি। ঐ খঙই, মানা করিগীদমক সরক্তা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপা মীশিংদু য়েংলিবনো হায়বা। মমিৎ কুপ্তবমখৈ, মরক মরক্তা মখূৎনা মাগী নারুমগী শমদু নান্থরদুনা। মানা য়েংলিদুদি আশা অমদনি - মহাক্তু হল্লকপ্রা য়েংলিবনি করিগুম্বদা। ফূট পাথ মথক্তা উ মখা লীৎ লীৎতুনা, অঙৌবা হূই অমোমদুনা মতুং ইল্লদুনা।

সুম সুম লৈরগদি ঐ খঙলক্লে, ইপাদা নৎত্রে, অহল নুপা অহুম্মক, অমনা অমদগী উহন্নদনা, করি তৌরিনো, কনা য়েংলিনো অমতা হায়দোক্লদনা থোঙনাও ময়া ময়াদদি তোয়না লেপ্পরে, য়ূমদুদা। কনাগুম্বা, লৈখাদা, ফূট পাথ মথক্তা চৎলিবা, অমনা য়েংখৎলক্লবদি শোয়দনা উরমগনি, পর্দা মরুমদা কনাগুম্বা অমনা লেপ্পা। উরল্লবদি খঙগনি অৱা ৱাখলনা অহল ওইশিল্লবা মায়থোঙ অমা থোঙনাও মরুমদগী কনাগুম্বা অমবু থিরি হায়না, লম্বীদা য়েংথদুনা।

মতমদুদদি সরক অচৌবদু উপাক থারম্মী, এইলানথস পাম্বী পরেং হৌরম্মী। মরক মরক্তা মখোল থোকপা ষ্ট্রিট কার অমা অনীকা চেনবা উরম্মী। অদুবু কুইদ্রিঙৈ ঐনা চৎলুবদদি উপাক লৈরমদ্রে, লম্বীগী কার অদুসু চেল্লমদ্রে। অদুবু ঐখোয়গী য়ূম অদুদি অদুম লেপ্পল্লি, পিক্লা, চপ তিংনা, অপিকপা লাইরিক অমবু অচৌবা লাইরিক অনীনা চপ্পগুম, চাউরবা অনৌবা দলান অনীগী মরক্তা চপ্তুনা। লৈখাগী মথোলশিংদি লোইনমক দুকান ঙাক্তনি, অদুগা অনীশুবা মথোলগী বেলকোনিশিংদনা দুকানশিংদুগী ফিনা লোনবা মমিং-মথা ইদুনা থেৎলি।

ঐখোয়গী য়ূমদুদা ঐখোয়না লৈরিঙৈদদি য়ূম লোইনা ৱাংই অদুবু ঐখোয়গীদৌনা পিকহৌবনি। ঐখোয়না লৈরিঙৈ, ঐখোয়গী কোলোনীদু নুংঙাইখ্রবা জাৎনি, অঙাং ময়াম লাঙলদুনা, নুংশা মরক্তা, খোঙ লম্বীদুদা শান্নরদুনা। য়ূমশিংদুগী মীনাই লৈশাবীশিংদুনা দুকান্দা পোৎ লৈরুবদু হল্লকপা থৈনরদুনা। অদুবু ঐখোয়গী ইমুংদি নুংঙাইবদু য়াওরক্ত্রে। হোয়, ঐ সুম্না হায়রগে, “নুংঙাইবা ফংলক্ত্রে হায়না, “ঐখোয় ৱাই” হায়দৌ শরুক। মরমদি ঐ ‘অৱাবা’ হায়বা ৱাহৈসি অমুক পন্নীংদ্রে। ৱাহৈ অসিদি অককুবা ৱাহন্থোক লৈ, মসিগী পোৎলুম, পাক-চাউবা মশাগী লৈজে। ঐখোয়গী ইমুংনা মতমদুদা থেংনখিবদি ওন্ন-তৈনবনি- ঐখোয়গীসিদি মাঙখিবগীনি, অৱাৎপগীনি, মসিদি উপাই অমনা কোকহনবা য়াদ্রবা, মহুৎ শিনবা য়াদ্রবা পোৎনি। অদুনা ঐখোয়গী অৱাবদি অমুক কোক্লরোইদবা অৱাবনি।

ঐগী ইমাদো ঐনা চহী মরি হায়রকপদা শিদোকখ্রে। অদুনা পিক্লিবা ঐবু য়োকপী থাকপীনবা নুপী অমা দরকার ইমুংদুদা লৈখি। ঐখোয়গী লৈজরিবা নুপী হায়বু ইনে মাথিলদা খক্তনি। মাসু ইখুড়া অনী, আর্মন্দ অমসুং গুষ্টাবকা লৈমিন্নবনি। অদুনা ঐগী য়েংনা মখোয় অহুম্মক পূন্না ঐখোয়দা লৈবা লাক্লে। ঐখোয়গী য়ূমদি চাউই, লোইনা চল্লি।

অদুনা ঐদি ইনে মাথিলদানা য়োক্লকপনি। অদুবু মানা হোৎনবিরিবা পূম্বদু তঙাইফদবগী হোৎনবগী মমি তাই। মানা ঐবু নুংশি হায়বসিদা ঐ চিংনবা লৈতে, অদুবু অমতা ওইবগী খূৎনুংশি অদুদি নৎ-খিদে। মাগী নুংশিবদা ঐঙোন্দনা পংখৈ থন্মী, অদুগা মৌপ্পা অহুম অদুদনা থমখিদে। মখোয় মরিগী নুংশিনবদি থমোয়নুংদা থন্নৈ, কৈদৌঙৈ মকা ফোংনদে, অদুবু মখোয়গী নুংশিবদি মথৌ অমনি খন্নৈ, কৈদৌঙৈ ময়েং তাহন্নখিদে। ফনা খুদোং চাদবা লাক্লসু। অদুনা মখোয়গী নুংশিনবদি অতোপ্পা ৱাহৈ লৈত্রে, মরমদি মখোয়দি ৱামিন্নরক্লবনি, পুৱারী অমত্তনি। অদুনা ঈ মরীগী ওইবা নৌখ্রবা নুংশি মরীদু হৌজিক থবক ওইনা উৎলকপদনি। মসিদা শন্দোক্লা তাক্লুদ্রসু য়ারে খল্লি। অদুনা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা হায়বদুনা থৱায় মরি অদুগী লংলা ওইরি, পিকখ্রবা য়ূম অদুদা, লাইরিকমুক্তা চাউবা, মমাঙনা সরক্লা তাইনবা।

ঐদি, হৌবদগী, ইনে মাথিলদাগা অপূনবা ইতিহাস লৈরক্তে। কমদৌনসু লৈরুনি, ঐ মতমদুদদি অঙাং পিশক্লি, অদুনা অহলশিং অদুগী অৱা-অনা ঐনা কমদৌনা খঙলুনি। ঐনা খল্লুবদি মখোয়গী নুংগী নুংশি ঈচেলদু নোংমদি পাথোক্লকখিনি, শাউনবু ওইরসু, পঙনবু ওইরসু ঐঙোন্দা। অদুবু ইনে মাথিলদানা ঐগী অনীংবদু উবিখিদ্রে, মরমদি মাগী পূক্লিংদু ঐঙোন্দা থল্লকখিদ্রে। মাগী পুন্সিদা ঐসি মতম পূম্বদা মতাইদা থংলে, ময়ায়দা অমুক্তা লেপ্লুবা ঙমদ্রে। ঐনা ময়ায় লেপ্লুবা ঙমদবগী মরম অমনা মাগী থমোয় পূম্বা ইপাগী, ইখুড়া অনীগী নুংশিবনা কনখ্রে।

ইনে মাথিলদা নাইতোম পোকপীনি। নুপী মতোমতনি। অদুবু মশক্তি থী হায়বা তারে। নুপা মখৈদি লোইনা ফজে। অদুনা মহাক্কী লুহোংবগী ৱা সিমদি লাপ্পা থম্নরে, অদুনা মাগী পুন্সিদু মৌপ্পাশিংগীদমক কৎথোক্লম্লগে খনখ্রে। অদুনা য়ূমদু নালহল্লি, মৌপ্পাশিংগী ফি তনান তনানহল্লি, হাউনা থোংলগসু পীজৈ। হায়রিবা থবকশিংসি তৌবদা মহাক ৱাবা থিদে, অহোইনদুম চাউথোকচৈ, মৌপ্পাশিংগী অফ-ফত্ত মানা কৈদৌঙৈদা হংদে, থিদে। অদুগী মথক্তা মানা অসিমসু খম থেংনা থাজে, নুপী অতৈগুম, নুংঙাইনা লৈমিন্নবা হায়বসিনা খ্বাইগী মরুমক নৎত্রবসু ইহান হান্না চঙবা পোৎচঙনি, অতৈ চাক লাম্বা, ঈংবা, অৱাৎ-অপা হায়বদুনা কোন্ননি। মদুনা অফবা য়ূম্বালগী য়ূম্ফম ওইবা য়ারোই। অদুনা অৱাৎপা হায়বদুনা মাবু ৱাহনবা ঙমদে, অহোইনদুম মাবু খাঙঙমদবা পোকহল্লি, অদুনা মানা খুদক্তা অৱাৎপা, অশোয়বা মরম থিদোক্কনি, থুনমক শেমদোক্লবা হোৎনজৈ। অদুগা অমরোমদনা মহাক অসিগী য়াজদবা খরা লৈ - ফুরিৎ ইষ্ট্রি নীংথিনা তক্তবা, শা মতুম অফবা মখলগী লৈরক্তবা, কনাগুম্বনা চেকশিন্দবদগী চুরুট উপুদু চোৎহল্লবা।

নুমিদাংদি চাক হেক তোকপগা ইনে মাথিলদাগী থায়নদগী হৈনজরক্লবা ইমুংসিগী চৎনবী ওইখ্রবা অমা লৈ, মহাক শোয়দনা মথক্কী কাদা কাখৎখ্রনি, অদুগা পিবা অহুমদুগী কা খুদিং চঙদুনা ফমুং শেম শাবিরুগনি, মোম্পাক ফিদক অদু নোয়-পেন্দবা মখূৎ অদুনা তক্তুনা নান্দুনা থম্বীরমগনি, ফৈজুপসু ঈংলক্লগা চিংখৎচনবা খুয়াদা ফজনা থূপ্তুনা থম্বীরমগনি। মোন অমোনবা অমমম থাবিরমগনি, তূমদ্রিঙৈদা লাইরিক পানিংলসু পাজনবা। অদুদগী ফমুং খুদিংগী মনাক্তা থাউমৈ অমমম চুখত্তুনা থম্বীরম্লগা মহাক নে তানা মখাদা কূমথরক্কনি। অদুদগীদি বিলিয়ার্দ বোল শান্নফম কাদা লাক্লনি, অদুগা শান্নরিবা নুপাশিংদুগা পূন্না কোফি থকমিন্নররনি, অদুগা মানা য়াওনীংলগনা শান্নবদু রাউন্দ অমা অনী য়াওরমগনি। অদুদগীদি মানা শুমহৎপীরবগুম পিবা অহুমদু পোথাবা চঙনখ্রনি, মানা শেম শাদুনা থল্লম্বা পায়জমাশিংদু হোংদোক্লুরদুনা।

অদুবু ইনে মাথিলদানা ঐগী কাদি অমুক্তা চঙদ্রি। নুমিদাং খুদিং, ঐনা ঐগী কাদা হেক কাখৎখিবদা ঐ লাংতক্লে, ইনেনা চঙবীদুনা ঐগী ফমুং নান্না শেম-শাবীরল্লবদি খল্লুবদা, থমোয় মিহুল চোংলিবনি। অদুবু ঐদনা শেম্বা তাখি কাবক-কাবক, হৈফাৎত্রিবা মীনাই নুপী অমনা শেম্বগুম। ইনে মাথিলদাদু ঐঙোন্দা অদুক লুনা খনবীখিদে, মরমদি ঐদি মাগী মৌপ্পা নৎলুদে। মাগী মৌপ্পা ওইহৌদবগী দশাদুনি ঐনা তারিবা, মরমদি ঐদি মৌপ্পা অমগী মচানি।

করিগুম্বদা ইনে মাথিলদানা ঐবু কৌরকই, মাগী কাদা, মাদি থোঙনাও মনাক্তা ফমদুনা কোল তূরিবনি। অদুগা ৱারী লীরকই। ঐসু পূক্লিং চঙনা তায়। মানা লীরি, মৌপ্পাশিংদুগী হৈ-শিংবদু উকিল ওইরুবগী, অদুসু য়াম্না চয়েৎনবা সমুদ্রগা মরী লৈনবা আইনশিংদা। অদুনা মৌপ্পাশিংগী লন-থুমগী অমদি মিংচৎকী মরমদা ঐবু খঙহন্নীংদনা লীরিবনি। অদুনা ঐবুসু ইমুংগী ঈজৎ ঙাক্লা চৎকদবনি হায়রি। মানা লীরি, জহাজদা কমলা হাপচিল্লুরগা চৎপা য়াদে হায়না থিংলকপগী অৱাবা, অমুকসু লীরি, জহাজ চিংনবা হিদুনা য়ু ঙাওবনা থৌবদগী থোকহনবা অমাং-অতাগী ৱারী, অদুদগী অমুক মখা তারি, মীরৈবাক্কী জহাজদা পোৎ পুরকপগী ভাড়া মতম চানা পীহৌদবগী মাঙজবা ফল কয়াগী মরমদা। অদুবু মাগী ৱারীশিংদুদা জহাজগী মরমদা ফনা লীরবসু জহাজনা সাইরেল খোংবগী মখোলদুদি ৱারীদা য়াওদবনা ঐ তানীংলক্তে। ঐনা কালেনগী মৈশাদু খাঙবা ঙমদ্রদুনা তূম্বা য়াদ্রবা নুমিদাংদা মথক্কী কাদা কাখৎলগা থোঙনাওদা হেক হেক য়েংখি, সমুদ্রদা অরাপ্পদা উরিবা মঙালদু, তাখি শাইরেল খোংবদুসু। অদুদগী সহরবু য়োমশিল্লিবা অমম্বা মপৈদু উরগা ঐ ঙকখি, মরমদি সহর অসিমক ঐগদি শম্নরক্ত্রবনি, ঐদি অকনবা য়াথং মখাদা হিংলক্লিবনি। হিংসু হিংখিদৌরি। ঐ হৌজিক্তা খঙলকই, ইনে মাথিলদানা সহরগী মরমদা ঐঙোন্দা খক তাকখিদে। মরমদি মহাক সহরগী মরমদা খঙদে। মাগী পুন্সিদসু সহরগী মফম লৈতে, মরমদি ঈজৎ লৈনা হিংঙু তম্লম্লবা মীদদি সহরগী মফম লৈতে, মখোয়দুগীদি স্বর্গদা মফম চাউনা লৈরম্লদৌনি। স্বর্গ হায়বদু ঐখোয় য়ূমগুম্বা ওইরমগনি।

অদুনা, নুমিৎতু ঐ তুমিন্না ইনেগী ৱারী ময়ামদু তাখি, ৱা ঙাঙদনা। ঐগী মিৎতি মাগী ফি তূবগী লং অঙৌবদুদা থমখি, মাগী অমুবা ব্লাউজদু তূরি। লং অমুকমুক চিংথোক্লকপদা থোঙনাউগী মঙাল লোইনা খঞ্জিল্লি। ঐ ঙকখি, মানা ঐঙোন্দা থল্লিবা চেকশিন-ৱা ময়ামদু তাবদা। শিবফাও চৎকদবা চুমদ্রি চুম্বা লম্বী অমা তাক্লি, মানা হায়রি, শিবা কিগদবা নত্তে, শিবা হায়বসিমক পুন্সি অসিগুম্বনি, লাইনা তম্বা হায়বা লৈবা নত্তে। শিবা হায়বসি শাথীবা পোৎশক নত্তে, শিবা হায়বসি ময়া থৌখ্রবা পোৎশক অমনি, শেংখ্রবা, শোয়ফদ্রবা, অদু মঙায়। নরক হায়বা অমা লৈরমগনি, মদুদি ঐখোয়গী নৎত্রি। মদুদি সহরসিগী মী অতৈগী থৱায়শিং শেংদোক্লবা লৈরমগনি, নৎত্রগা শকখঙদবা জহাজ থৌবশিংদুগী লৈরম্বা য়াই, মখোয়দুনা মীগী মপোৎ মাঙহল্লগা, কেস লোইরকপদা মখোয়গী শেঙ্গাউ থলহনবা কাঙবুদো।

ইনে মাথিলদাদু অকিবা হায়বা ৱাখলসি লৈখিদবনি। হৌজিক্তা ঐ খঙলকই, মতমদুদা মাগা নুংশিনবা কনাসু লৈখিদে। ঐনা লাল্লদ্রা, মাগী হায়বু মৌপ্পাশিংনা লোইজরে, অঙকপা মখলগী নুংশিনবা অমনা পুনখিবনি। নুমিদাং নুমিদাং মখোয় লোইনা বিলিয়ার্দ শান্নফম কাদা পূনখিনি, ঙাইহাক শান্নমিন্ননি। ঐসু মখোয়গা লোয়ননা কাদুদা চঙখি। অদুবু ঐদি মখোয়গী অচেৎপা নুংশি-মরীদুগী ৱাংমদনি। ঐনা য়েংবা পামখি খুদম অমত্তং মখোয়গী অচেৎপা মরীদুগী, মখোয়বু চেৎনা পুল্লিবা। অদুবু অঙকপনি, ঙসি ঐ নীংশিংবা থোক্ত্রে, ঐনা নীংশিংবা হায়বু, অশংবা অপাকপা টেবল, অঙাংবা, অঙৌবা বোলশিং, অদুগা চৈ (ক্যু) মতোন্দু তক্লবা শংবানবা চোক (ক্যুব) অদু মঙায়রে। অদুগা নেম্না ঙাল্লিবা বল্বকী মৈঙাল, মরুমদা লেপখিবনা, লৈখিবনা শেংনা উদবা। ইমুংসিগী চৎনবী ওইনা ইনে মাথিলদানা কৌথোক্কদবনি মৌপ্পাশিংদু অমম্বদগী পালি নাইনা। শান্নরনবা :

\- “হন্দক্লা গুষ্টাব...!”

অঙ্কল গুষ্টাব থোক্লক্কনি, বোল ইন্নবা টেবল অশংবা মথক্তা পাকথখিনি, চৈদু পায়দুনা। মাগী মায়থোঙ ঙাল্লকই, চেগুম ঙৌরদনা, অদুবু ফজবদু মমিৎনা শোয়হল্লে, মরমদি মমিৎ খূয়, নক্লনা পানবগুমসু তৌই। মাগী পালি ইনবা লোয়রগা মরুমদা অমুক চঙখিনি। মরুম অদুদা মহাক চুরুট অমা চিংখিনি, মৈখুদুনা তন্দে মান্দে কাখৎখ্রগা শিলীংগী অমম্বা মরক্তা মাঙখিনি। অদুদগী মচেনা অমুক লাউরক্লনি : - “ফরে, হন্দক্লা আরমন্দ...!”

অঙ্কল আরমন্দ থোক্লক্কনি, মায়থোঙদি নৌরদুনা, কিগনবা মায়দানি মমিৎতি লাওই, অতিয়া মচুনি, অদুবু সনা মচুগী আনোক ফ্রেম অদুনা খঞ্জিনখিদুনা উদ্রে। মহাক অমুক নোন্থখিনি, মঙাল মখাদুদা। মাদি মহৌশানা হৈবা ৱাৎপনি। অদুনা ইনে মাথিলদানা মাবু ‘অঙাং’ হায়না কৌই। অদুনা মাগী পালি লোইরগা মাদি পাউচেনা মমায় খন্দুনা লৈখিনি। মতাংদুদা ইনেনা অমুক লাউরক্কনি :

\- “পেদ্রো, নঙগী পালি...।”

ঐ স্বর হোনবা কাউখি, ববানা শান্নবা পাকথখিবদা। অমুক্লা হেন্না স্বর থিংখি, মচেনা হায়বদু ইনবা উবদা। ঐ লাই খুরুম্মী, মানা হৌগৎলকপগা, মচেনা তাউথরিবা য়াথংশিংদুগী মায়োক্তা হৌরক্লবা। অদুবু ঐ খঙঙুদে, পীরিবা য়াথং অদুমক ঈহৌ অমনি, মখোয়না শেমজবা, মাঙ-তাকপদগী কঞ্জনবা, মখোয়দা ৱারেপ লৌবা ঙমদবা হায়বদু লৈতনবা। ঐগী ইপাদু হৌগৎলক্লে, অদুগা নোন্থখ্রে, অশংবা ফিগী বোর্দ অদুদা। মানা হান্না মমিৎনা ওন্দুনা য়েংঙি বোলশিংদুগী অমগা অমগা লাপ্পরিবদু। মহাক মরূ ইনখ্রে। অমা ইনখ্রগা মাগী স্বর অমুক্তং হোন্দোক্লকই, মদুদা নাতোন শুমাংগী মকোইশিংদু নোমই, কারিবা ময়া মথক্তা। অদুদগী মানা ঐঙোন্দা মাগী পায়রিবা চৈদু পীরকই, চোক্লা মচিন তক্লবা। ঐগী থবক মচা অমদি পীবিরে। অদুনা মচিন-মৌপ্পা মখোয়গী অপূনবা কাঙলূপ অদুদা খজিক নকশিলহল্লে, মনুংদমক য়াওরুদ্রবসু।

অমুক ইনে মাথিলদাগী পালি লাক্লে। মানা খ্বাইদগী হেন্না হৈ। ঐনা উবদা মহাক্তি চেকশিল্লি, মৌপ্পাশিংগী অশোয়বা মায়থোঙদগীদি মাগীনা ফৈ। মহাক মরুমদগী থোক্লক্লে। থোক্লকপগা ঐ খঙই, মহাক্লা শোয়দনা থোইখ্রনি। অদুমকপু ঐ কৈদৌঙৈদা উখিদ্রে মাগী অখুবা মমিৎতু লংখৎলকপা, তাশিল্লবা খূত্তুমগুম, নাতৈ চারুদুনা মৌপ্পা অমনকা মাবু থোইবদা। অদুগা মানা থোইহনগে খল্লম্বদি য়াই, অদুবু থোইবদি অমুক্তা থোইহনখিদে। মদুনা তাক্লি, অদুক ঙকখ্রবা নুংশিবগী মরীদু শান্নবদদি চঙবা য়াদে। মীনুংশি হায়বসি মাগী মফমদুদা লেঙদনা লৈগদবনি, অদুগা মদুনা কৈদৌঙৈদা কেরোম কাপ্পদা, নৎত্রগা বিলিয়ার্দ বোল ইনবদা চোংশিল্লকপা য়ারোই।

ঐদি হূই হায়বসি শুকপাম হেক পামজদে। খঙদে, ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা অমনকা কিহনখিবনরা? তশেংনা মসিনা ঐবু নুংঙাইহন্দে। য়ূমদসু হূই লৈরক্তে, অদুগা ঐনসু কয়া চখোক্কন্দবগা হূইগা ঐগা কয়া মায়োক্লরক্তে। ইনেসু অদু মঙায়রে, ইখুড়াশিংসু, অদুগা ইপাসু অতৈ শাগুম হূইবু খক য়াদে। ষণদি অমরোমদা শঙ্গোম পীরি, মাখন শেমদুনা নোংমাইজিংগী অহাওবা মথেল শেম্বদা হৈগী মচল শেম্বদা হাপ্পরি। উচেক হায়রো, নুংশিনা খোংলি নোংঙাল্লমদাইদা, উ পাম্বীদা তোংদুনা, য়ূম ময়াদা লৈবা লৈকোন্দুদা। অদুনা মখোয়দদি শা হায়বসি মীওইবগী কান্নবদা, নৎত্রগা নুংঙাইহনবদা চঙবদুদা থমগদবনি অসিনি। শম্না হায়রবদা হূই হায়বসি, মরুওইনা সহরগী সরক্কী হূইশিংসি মখোয়না ৱাখন্দফাও থম্বগী ৱা লৈতে।

করিগুম্বদা ইনেগা ঐগা নোংমাইজিংদা চর্চ কামিন্নৈ। অদুবু ঐদি অমুক্তা লাই নীংবদু পূক্লিং চঙবা ঙমদে, মরমদি ইনেনা য়েংলক্ত্রসু য়েংবোইদা খল্লি। মহাক্কী মমিৎতুনা চর্চকী ফম্বাক অদোমদা য়েংদুনা লৈখ্রবসু নৎত্রগা মাগী মকোক অদুনা খ্রাইষ্টকী মমাঙদা নোন্থখ্রবসু, ঐগী লেঙ-ওৎপা খুদিং মানা শেন্নদুনা লৈখি। অদুগা চর্চতগী হনমিন্নরকপদসু মানা ঐঙোন্দা য়াম্না হৈ-শিংনা চৈবদৌনা হায়, ঐনা লাই নীংবদা পূক্লিং লূপশিনদ্রিদু ফালদা মিরাংদা থুবা হয়িং অমা উরমগনি অদুননি। মানা ঐঙোন্দা তাকই - শিবা হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা অরোইবা পন্থুংনি। লাই খুরুমলিসি চৈনা ফাওদনা শিবা য়ানবনি। মসিনি মীয়ামগী লাইদা খুরুম্বগী পান্দম, যীশু নীংবা কাঙলূপ খুদিংগী অপান্বা।

অদুগুম্বা অয়ূক অদুদনি, নোংসু পারপ তাখি, নোংলৈ নুংশিৎ লাকপগী মওংসু মাল্লকখি। ফূট পাথ মথক্তা হৌবা পাম্বীশিং য়েন্নিং চোংখৎলে, নাকল অমদগী নাকল অমরোমদা চৎখিনবা ষ্ট্রীৎ কারগী টালিনা ককলি। ঐদি ঈংবনা লোইরে, অদুনা থুনা য়ূম য়ৌহৌনবা খোঙ থুনা থাংলি ইনেগী নাকলদা। মানা ছাটিন মচা অমা পায়রি, মদুনা ঐখোয়নি কোক ফাওবদি কল্লি। অয়ূক্তু ঙনবনা লম্বীদা মীসু য়াম্না চৎনদ্রি। তাল্লক অদুদা কুচু মুবা নুপা অমনা ঐখোয়দা সলাম কোৎহৌই, টুপীদি হাইগৎতনা, নোং চুবদুনা। মদুদা ইনেনা ঐঙোন্দাহায়, কয়াদা ঙক্লুরবনো, ঈ য়ান্নবা মচা অমনা কয়া থওইদনা সলাম কোৎলক্লিবনো? অদু হায়নরিঙৈদা ষ্ট্রীৎ কার অমা ব্রেক খংফা ফাখি, শীৎতুনা, মদুদা ইনেদু ৱা ঙাঙবা খংলেপ লেপখি। কন্দক্টর অদুনা থোংনাওদা লিৎথোক্লগা লাউরম্মী :

\- “হে হূইথিবোং!”

ঐখোয়নী চপ লেপ্পী য়েংলদুনা। অদুগদি ঙৌরোক ঙৌবা হূই অমোম মচা অমখক গাড়ীদুগী কাংখোং কারক্তগী চেন্থোক্লকপা উই, মখোঙ শেক শেক্তুনা, নাবনা মমৈদু মক্রাংদা লোল্লে, থোঙ্গাল অমদা চেনশিনখ্রে, গাড়ীদু চৎখিবগা।

\- “সিগুম্বা হূইসিবু” ইনেনা য়ানীংদনা হায়রকই, “কমদৌনা থাদোক্লিবনো” ঐদি খনফম খঙদে।”

ঐখোয় চৎপা লেপ্তে, লাকপদা হূইদুনা চেনশিনখিবা থোঙ্গালদু লাল্লে। পিকখ্রবা হূইনি, ঙৌরোক ঙৌরদনা, মশাদুগা মখোঙগা চানদ্রে, ইতেল তেল্লি। মনাতোন্দুনা তুমথোক্লদুনা থীখ্রবা, অদুনা তাক্লে, ঈ ময়াল, তুয়ালগী মচানি হায়বা। জাৎ তিন্নদবা মপা-মমা অনীগী চাদা-নাউদানি হায়বা খঙলে। মখোয়দুনি সহর অসিদা যুগ কয়া মচিঞ্জাক থিদুনা পাল্লক্লিবা, ফত্ত-হৌদি হুন্দোকফম থিদুনা, হিথাংফমগী অমোৎ-অকায়, পাত্র থি থিদুনা চারিবনি। মহাক্তু নোংনসু লূপ্লে, শোন্থরে, মশাদু নিক্লে, ঈংবনরা নৎত্রগা অরুম লাইহৌ য়াওবনরা খঙদ্রে। ঐখোয়না হূইদুগী মপা হেক লাল্লকপদা, ঐ খঙই, ইনেনা হূইদুদা মুন্না য়েংখি, হূই অদুনসু ইনেদা মুন্না য়েংলকই।

ঐখোয় চৎপা লেপ্তে, য়ূম চঙদৌরে। ঐদি হূইদু কাউবু কাউরে। অদুবু ইনেদি হুৎ লৈদুনা য়েংখি অদুগা খংলাউ লাউখি :

\- “চৎলুনহে, চৎখ্রো চৎলু...।”

ইনেনা লাউখ্রিবদু তশেংনা মহাক্লা খঙবননি, হূই অদু ঐখোয়গী তুং ইল্লক্কদৌরে হায়বা । ঐদি ঈংবগী নিকপনে, ফোঙদোক্তবা ৱাহং অমগা, ঙকপগা কোন্ননা ৱাখলদা ফাওরকই - ইনেনা কমদৌনা খঙলিবনো? হূইদুগী খোঙথাং মখোল ইনেনা তাবসু নত্তে, ফনা লাপ্পা ইন্নরকপনি। ইনেনা শোয়দনা ইন্নরক্লম্লনি খল্লম্বা ওইবা তাই। মরমদি ঙসাই মখোয় অনী মুন্না য়েংনখিবদুদা হূই অদুগী মকোক থাঙ্গৎতুনা ইনেদা য়েংখি, ইনেনসু হাইফেৎ হূইদুদা চেপথরগা য়েংখি- মদুদা থৱায় অনীদুগী অরোনবা মরী অমা লৈনখ্রবরা? মদুদি ঐ খনফম খঙদ্রে।

অমবু ওইরসু অমবু ওইরসু হূইদু তানবদা ইনেনা লাউখিবা খোল্লাউদু করিগুম্বা লাইবক্লা তল্লম্বা দশা অমা তান্থোকপগী খোল্লাউ লাউখিবনি। ঐনা হৌজিক্তা খল্লকপনি, মরমদি তুংদা থোক্লকখিবা থৌদোক্লা ওন্থোক্লা মরী লৈনখ্রে। কৈসু নত্তবা থৌদোক্তুগা। মিৎকুপ অদুদদি ঐ ঙকপনা লোইখি, ইনেদু মাগী ঈজৎ য়েংখিদবনি, হেক্তা খংলাউ লাউখিবনি হুৎ লৈথোক্লগা, অনাবা, অমোৎপা হূইদুগা চপ মান্নখিবনি।

ঐখোয় য়ূম য়ৌরে। ঐখোয়গী কাখৎফম থাক থাক্তু কাখৎলে, হূই অদুদি আ মখাদা লেপ্তুনা লৈহৌরে। মুন্নদি য়েংদুনা লৈহৌই ঐখোয়বু, কনশিল্লক্লিবা নোং মরক্তুদা। ঐখোয় ইমুংদা চঙঙে। অদুদগীদি লাই খুরুম্বা চৎলুবা মতুংগী ব্রেক ফাষ্ট চানবা হোৎনরিঙৈদা হূই অমোমদুগী ৱাখল মাঙখ্রে ঐগী কোক্তগী। ঐদি অমুক্তবু অয়ূক্তুদা খনবদৌনা খনখিদে, ঐখোয়গী য়ূমদুদা লৈবদু ওন্থোক্লা পূক্লিং লুমখি। ঐবু তোঙান্না তাহল্লিবা অমনবা ফক্লাংশিং অদুনা পীরিবা শাফবগী নুংঙাইবদু অমুক্তবু ফাওখিদ্রি হান্না। -মথং মথং

*ইংরাজিদা : লোরেন ও’গ্রেডি ফ্রীমেন*

*মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*

*(চিল্লীগী ৱারীমচা)*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।